# ‘লৌবুক্কী লো’ - লো’না য়াদবা লো’রা?

‘মীদিয়া হাওজ’ অমগী কোল্লম অমদা ‘কলম্মিষ্ট’ অমা ওইনা চাং নাইনা ৱারেং অমমম ইদুনা ফোঙদোকচবা ফংবা হায়বসি, থিংজিন্দুনা থল্লম্বা পূক্লিং-ৱাখলগী থোঙ অদু হাংদোক্তুনা মপান থোকচবা ফংবা, কা অমই মনুংদা ফমজিন্দুনা লৈরুরগা অহাঙবা লমহাঙদা থোরক্লগা অশেংবা নুংশিৎ (ওক্সিজেন) হোনজিনজবা ফংবগী নুংঙাইবা অদুগুম্বনি হায়বা তাই। পূক্লিং অমসুং ৱাখলগী নীংতম্বা হায়বসিদই হেন্না মমল য়াম্বা অতোপ্পা নীংতম্বা অমা লৈতে হায়বসি বিশ্ব-কবি রবিন্দ্রনাথ টেগোর’নসু শৈরেং ওইনা ইদুনা ফোঙদোক্লম্মী ... ‘পূক্লিংসিনা অকিবা লৈতনা, ঈকোক অসি ৱাংনা থাঙ্গৎচবা ঙম্বা মফমদুদা ... ৱাহৈ খুদিংমক লুরবা থম্মোয়গী ঈনুংপুংদুদগী থোক্লকপা মফমদুদা ... নীংতম্বগী অদুগুম্বা লাইরৈপাক্তুদা, হে অপোকপা, মফমদুদা য়াকৈসনু ঐগী পোক্লফম লমদম ঈরৈপাক’!

থম্মোয়নুংদগী থোকলকপা অশেংবা ৱাহৈ ওইরবসু, অকিবা লৈতনা ফোঙদোকচবা ঙমদবা, অকিবনা লাকহৎলবা ইরৈপাক অদুদনি ঐনা ঙসি হিংলিবা। ফ্রীদম ওফ এক্সপ্রেসন - কন্সটিট্যুসন’না পীবা রাইট’নি খন্দুনা ঙসি ফোঙলুগনি, কন্সটিট্যুসন’দুগী অতোপ্পা এক্ট অমগী মখাদা হয়েং ফাবা লাক্কনি। হৌজিক্তি ফম তাখ্রবা, অমেরিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ‘দোনাল্ড ত্রম্প’কী মফমদা অমেরিকান জর্নেলিষ্টশিংনা চৎখিবা লীচত্তু, ইন্দিয়া’দা ওইরম্মু, প্রেসমেন কয়া কৈশুমশঙদা ফাদোক ওইরম্লি। মরম অসিনা, মরু ওইখ্রবা পোলিটিকল ইস্যু হায়নীংবা-ইনীংবা কোঙ্গায় নমশিন্দুনা থমখিবনি।

অদুবু, ঙসিদি তঙাইফদনা, ইরোই খন্দুনা থাবুম মরি নমশিন্দুনা থল্লক্লবা ইস্যু অমা ইরগে খন্দুনা কলম পায়খৎচরুরে। পোলিটিকল ওইবা ইস্যু অমা ওইরবসু, ইজগদৌরিবা ৱারোলশিং অসিদি পোলিটিকল এঙ্গলদগী য়েংনবা ইবা নৎচদে। থোক্লিবা থৌওং অসিগী ইচম চম্বা রিপোর্ট অমগুম্বনি, রিপোর্টমকসু নত্তবা। ইস্যু অদুদি অতৈ নত্তে, দিল্লি অমসুং পঞ্জাব, হরয়ানা অমসুং উত্তর প্রদেশকা তাইনবা বোর্দরদা হৌরিবা লৌমীশিংগী অন্দোলন অসিনি। মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক অসি হেক লাকঙৈদগী থোক্লকখিবা চাউর-চাউরবা ৱাথোক কয়া, ওপোজিসন পার্টি লৈতবগা পাংখক ওইরবগুম, অয়েৎ-অথিং লৈনা-লৈনা ‘কম হ্বাট মে’ হায়বা অত্তিত্যুদ অদুগা লোয়ননা, অকনবা রুল্লিং গভর্ণমেন্ট অমনা মায়োক্লবগী মওং অমা উরক্লি। অদুঙৈ, মহাভারত লান লোইরগা, শগোল অমা থাদোক্তুনা অশ্বমেধ যজ্ঞ পাঙথোক্তুনা পান্দবশিংগী সুপ্রিমেসি উৎননবা হোৎনখিবদুগা মান্ননদুম উরকই। দোলাই তোংদুনা ভিক্টরি রেল্লি চৎলকপদা মোদিনা থেংনরকপা খ্বাইদগী কনবা ‘রেসিষ্টেন্স’ - হন্দক থেংনরিবা ‘ফার্মর্স বিল’ অহুম পুথোক্তুনা এক্ট ওলহল্লুবা হাক্তক্তা থেংনরিবসি ওইরমগনি। লৌমীশিংনা লৌরিবা ফিরেপসি ‘নো রিত্রিট, নো সরেন্দর’ - হনবা লৈতবা লাঞ্জং হায়বদুনি। সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং ফাওবা শীংনদুনা গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ হন্দোক্তুনা এক্ট অসি রিপিল তৌদ্রিবফাওবা দেল্লিগা তাইনবা বোর্দরশিংদা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হন্দোক্লোই, ময়ূমদসু হনবা তৌরোই হায়বা ফিরেপ্তুনি। হোম মিনিষ্টর ‘অমিট শাহ’নসু হায়রি ... ‘ওইনীংবদু ওইসনু লৈঙাক্কী ফিরেপ শুকহোং হোংলোই, এক্ট অসি রিপিল তৌরোই’...।

ঙসি ঐনা ইজরিবা ৱারেংসি ইসু ইরল্লোইদবনি, হংচিৎ পাঙথোক্কদৌরিবা ‘রিপব্লিক দে সেলেব্রেসন’ অসিদা অপনবা পীনবা, পঞ্জাব-হরয়ানা-যু পি বোর্দরশিংদগী দেল্লিগী রিং-রোদ ফাওরগা লৌমীশিংগী ত্রেক্টর-রেল্লি চৎননবা থৌরাংলিবা ... দেল্লিগী লালকিল্লা অমসুং অকোয়বদা খালিস্থানগী ফিরাল অমদি ভিন্দ্রনৱালে (খালিস্থান-মুভমেন্টকী সহীদ ওইখ্রবা লুচিংবা) গী ফোটো থেৎপা ঙম্বা মীওইশিংদা শেলগী মনা পীগনি লাউথোরকপা ... অসিনচিংবসিনা লৌমীশিংগী ঈহৌ অসিদা অমুবা মচু তৈশিল্লকপনি, চুম্না চৎলম্বা ঈহৌসিগী মায়কৈ থৈদোকখিনবা হোৎনরকপনি। হৌজিক্তি অচৌবা ৱাহং অমা থোক্লক্লে - অসুক চাউনা, শেল চঙনা হৌরক্লিবা ঈহৌসি কনানা শেল থাদবনো? পঞ্জাবকী নীংতম-ঈহৌ (খালিস্থানি মুভমেন্ট) অদু অমুক নৌনা হৌরক্লবা লৌমীশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবরা?

অসুম্না, লৌমীগী অশেঙবা ঈহৌ অমদা করম্না পোলিটিকল কলর শঙলকখিবা? ৱাগী ৱারী অমুক্তং থিরুবা চুমদবরা? ২০১৭, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট’না ‘মোদেল ফার্মিং এক্ট’ খরা পুথোকখি। অদুবু, অয়াম্বা ষ্টেটশিংনা এক্ট অদু মাগী মাগী ষ্টেটশিংদা চৎনহল্লু য়াখিদে। ২০১৯ জুলাইদা চীফ মিনিষ্টর তরেৎ য়াওবা কম্মিটি অমা শেমদুনা য়েংশিনহনখি। ২০২০, জুনগী অহানবা চয়োলদা ওর্দিনান্স অহুম, মতম খরগী ওইনা পুথোকখি - লৌবুক্কী পোথোক কদায়দা করম্না পৈদুনা থমগদগে অমদি য়োনগদগে? এগ্রিকলচরেল মার্কেটিং অমদি কন্ত্রেক্ট ফার্মিং রিফোর্মনচিংবগী ৱারোলনা মরু ওইবনি। সেপ্টেম্বর ১৫ অমসুং ১৮দা লোক সভাদা বিল ওইনা পুথোকখি। গভর্ণমেন্ট পায়রিবা পার্টিসিনা মাইনোরিটি ওইনা ওইনা, সেপ্টেম্বর ২০ অমসুং ২২দা রাজ্য সভানা ভোইস-ভোৎ’তা পাস তৌখি, ‘ভোৎ তৌনসি’ হায়বা ওপোজিসনগী ৱা তাখিদে। সেপ্টেম্বর ২৮দা প্রসিদেন্ট’না খূৎয়েক পীদুনা বিল অদু এক্ট ওনখি। অহানবা এক্ট - ‘ফার্মর্স প্রোদ্যুস ত্রেদ এন্দ কমর্স (প্রমোসন এন্দ ফেসিলিটেসন) এক্ট; অনীশুবা এক্ট - ‘ফার্মর্স (এম্পৱারমেন্ট এন্দ প্রোটেক্সন) এগ্রীমেন্ট ওন প্রাইজ এস্যুরেন্স এন্দ ফার্ম সর্ভিস এক্ট; অহুমশুবা এক্ট - ইসেন্সিঅল কম্মোদিটিজ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট অসিনচিংবনি। এক্ট অহুমসিগী অকূপ্পা ৱারোল, ৱাহৈগী অকক্লবা লৈবনা, শন্দোক্না ইবা ঙমদ্রবসু, লৌমীশিংগী লূপ (ফার্মর্স য়ুনিয়ন) শিংনা চিংনরিবদি অনৌবা আইন অহুমসিগী মতুংইন্না, লৌউ-শিংউগী পোথোকশিং অসি হান্নদগী শকখঙলবা ‘এগ্রিকলচরেল প্রোদ্যুস মার্কেট-কম্মিটি’ (সবজি-মন্দি) শিং অসিগী ৱাংমা লান্না য়োন্নীংবা মফমদা য়োনবা/পৈবা/থাবা য়াহনখ্রগনি হায়বসিনা মরুনি। অদুদগী হেন্দোক্তুনা, পোথোকশিং অসি ষ্টেট অমদগী অমদা থাদোক থাজিন তৌবদা অথিংবা থমদবা, ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা লৌফম থোকপা ফী/টেক্সনচিংবা অমত্তা লৌবা য়াহন্দবা অসিসু লন্নাই শেঞ্জাও পায়বশিংগী মীচংদা লেপ্পা থৌশিল অমনি হায়বসি মখোয়গী অচেৎপা থাজবনি। মন্দি-সিষ্টম মূখত্তুনা তপ্না তপ্না লৌমীশিংগী পোথোকশিং ‘কোর্পোরেট হাওজ’ (শেঞ্জাও পায়বা কম্পনি) শিংদা শিন্নখিনবা থৌশিল অসি লেপ্তুনা ‘মিনিমম সপোর্ট প্রাইস সিষ্টম’ হৌদোক্কদবনি হায়বসি লৌমীশিংগী দিমান্দনি।

হৌজিক্তি প্রোব্লেম অসি তাইশিনবা ৱারগদবা তানফম অমদা লাক্লে। মীতৈশিংগী ৱাহৈ ... ‘শে শে শেবোতি, নঙগা ঐগা কাওনসি, কনানা ঙমগে য়েংনসি ... শেন শ্বা’ ... হায়বা তানফম অদুনি। ঈহৌ হৌরিবা লৌমীশিংনা সুপ্রিম কোর্টকী ষ্টে-ওর্দর অমদি সুপ্রিম কোর্টকী য়াথংদা শেম্বা কম্মিটিদুফাও মৱা লৌখিদ্রবনি। গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিংগা ষ্ট্রাইক তৌরিবা ফার্মরশিংগী লুচিংবা মীহুৎশিংগা তরামাথোইরক ফম্মিন্নদুনা ৱারী শানখ্রে। য়ানবা পুরকপা ঙমখিদে। লৈঙাক্লা পীবা সজেসন, হন্দোক-হঞ্জিন, শেমদোক-শেমজিন, ষ্ট্রাইক তৌরিবা লৌমীশিংনা য়াখিদে। রুল (আইন) অসি হন্দোকপা নত্তবা অতোপ্পা ৱাফম অমত্তা য়াবা ঙল্লোই - ষ্ট্রাইকরশিংগী ফিরেপনি। য়ামখ্রবা মীয়াম, লৌমী লিশীং-লাখ কয়া ময়ূমদা হলহন্দনা, লম্বীদা ফৌদুনা খোঙজং চঙশিল্লকপা - কনানা স্পোন্সর তৌবনো হায়বা ৱাহং লাকপদা লৌমীশিংনা পাউখুম্মি, ‘ঐখোয় থা তরুক্কী চাননবা চেঙ-চাক পুদুনা লাক্লবনি’। অদুদি, চঙশিল্লিবা খোঙজংসি নীংথিনা শেম শারবা ‘গেম প্লান’ অমনি, কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিন্নি - গভর্ণমেন্ট’না হায়রকই। তানফম অসি য়ৌরবদি ঐগী অচম্বা ‘আপিল’ নি - ‘দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাকনি, মীয়াম্না খনবা মীহুৎশিংনা লৌখিবা ৱারেপনি, মীয়াম্না য়াদ্রে হায়রবদি ৱাফম অসি দেমোক্রেসিগী যূম অদুদা অমুক হন্না পুথোক্তুনা খন্নৌ, ঙাঙনরিবা ৱাফমদু ঐখোয়বুসু তাহল্লু, এক্ট অসি রিপিল তৌবা/তৌদবদা অমুক হন্না ভোৎ লৌনৌ’। মেজোরিটিনা শেগীৎলে, এক্ট অসি লেঙদনা অদুম লৈহৌরে। মাইনোরিটি তারগনা, অতোপ্পা অমনা মহুৎ শিল্লে। দেমোক্রেসিগী ফজবা হায়বদু মসিনি। ‘ঐনা হায়খ্রবদি লোইরবনি, ঐগী ৱারেপ হোংবা য়ারোই’ হায়বা এত্তিত্যুদ অদুদি দিক্টেটর অমই ফিরেপনি।

*-সোইবমচা ইন্দ্রকুমার*

# মালেমগা অতিয়াগগী মরক্তা মচুশিংগী পাউদমখোল


## (কন্টেম্পরেরি আর্টিষ্ট মরিগী ‘কনেক্সন’ আর্ট এক্সিবিসন ২০২১দা মীৎয়েং অমা)

পুন্সি হায়বসি খন্থরুরগদি তেনখ্রবা খোঙচৎ অমনি। নুমিৎনা থোক্লক্লগা অমুক মতম লোইদুনা চীংদোল মরুমদা লৈথখিবদা অমম্বদা তিনখিবগুম পুন্সি কয়াসু অদুম্মক অকাউবগী ফিজং মরুমদা লৈখিবা ঙাক্তনি। লেপ্তুনা চৎলিবা মতমগী খোঙজেলদা লুপখি পুন্সি কয়া, থৌদোক কয়া, লূরবা লাইজ ঈরোলনুংদা থৌদু নুংনা তূমিন্না লুপখিবগুম্না নীংশিংবা হায়বা অদুতং থনমদুনা। নীংশিংবগী চেনা কয়াদি হাংদোক্লুদনা অদুম্মক কনা খঙদনা লৈখিবা য়াওদবা নত্তে। লমদম অসিগী মমিং লৈরবা লাই য়েকপা কয়াগী আর্টকী খুদোলশিং নীংথিজনা খোমজিন্দুনা তুং কোইনা থম্নবগী থৌশিল থৌরাংদি কয়া উদবগুম তৌই ঙসিসু। মণিপুর, ঙসিদি মালেমগী লৈবাক কয়াগী তোঙান তোঙানবা মীওই ফুরুপ, কাঙলূপ কয়াগী মীৎয়েং চিংশিনফম ওইরক্লি। মসিদা লৈজরিবা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিগী ওইবা পোৎথোকশিংনা মণিপুরবু কদায়দা লৈবনো হায়না য়েংনীংবা পোকহল্লি। ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাঙদা লিংখৎখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর, লৈবাক অসিগী ওইনা মমল য়াম্লবা কলচরগী ইন্সটিট্যুসন অমনি। মসিনা করিগুম্বা য়াইফবা থবক খরদি তৌরক্কনি হায়না আশা তৌনরি কলচরবু য়োকখৎচনীংবা লমদম অসিগী মীওই কয়ানা।

ইম্ফাল আর্ট কোলেজনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লাই য়েকপবু পূক্লিং লুপচবা মহৈরোয় কয়া তাকপী তম্বীদুনা লাক্লি। হেন্না নুংঙাইরিবদি ফাইন আর্টসকী দিপার্টমেন্ট অমা হাংদোক্লকপা অসিনি। লমদম অসিদগী থোক্লক্লিবা লাই য়েকপগী লম্বীদা খোঙদাদুনা মচুশিংগা লোয়ননা পুন্সিগী মশক অমা নৌনা লেপ্লবা হোৎনরিবা আর্টিষ্টশিংনা করিগীদমক লাই য়েক্লিবনো হায়বদু খঙবীফম থোকই। মরমদি লাই য়েকপা হায়বসি অরায়বা কলা অমদি নত্তে। মসিবু পাম্মী হায়দুনা হেক্তা তম্লগা হৈবসু ওইদে। মণিপুরদা লৈরিবা অপূনবা মীশিং অসিগী মনুংদা লাই য়েকপা, লাই শাবা মীওই কাঙলূপ অসিগী মশীং অসি কয়াম লৈরিবগে হায়না থিজিল্লবদি খূৎ থেক্তুনা পাবা য়াগনি হায়না খল্লি। লাই য়েকপগী পুৱারী অমদি অদুমক লৈজরি অদুবু মসিবু মশক খঙবীবা, পূক্লিং থৌগৎপা লোয়ননা কলা অসিগী মমল য়াম্লবা পোৎথোকশিংবু তুংগী মীরোলদা পাউদম্নবগী ৱারী লীনবগী অদুগা মশক খঙনবা হোৎনবগী লম্বী অমদি ঙসিসু শেমদ্রিবরা হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই খঞ্জে। মমিং লৈরবা আর্টিষ্ট কয়াদি লাইওইখ্রে। মখোয়না মঙলম্বা মঙলান কয়াদি ঙসিসু অদুমক তাইবঙ ফাওদনা লৈরি অহিংবা তালা পামেলগী মরূনা কনা খঙদা উনালক্তা কংশিল্লদুনা তাদুনা লৈবগুম্না, কুমগী নোংলিকপু থৌগংনা ঙাইরি।

মশক নাইরবা আর্টিষ্ট কয়াগী পেন্টিং, স্কলপচর, গ্রাফিক, ইন্সটোলেসন কয়াদি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা লৈরিবা চাউরবা আর্ট গেল্লরি কয়াদা কলেক্সন তৌদুনা আর্ট লভরস কয়াগী পূক্লিং চিংশিল্লি। মসিনা মালেমগী মফম কয়াদগী লাকপা লমকোয়বা কয়াবুসু কলচর অমসুং ত্রেদিসনদা ইনাক খুল্লবা ইন্দিয়াদা লাকনীংবা ফাওহল্লি। ইন্দিয়াদা লৈবা মমিং লৈরবা আর্ট গেল্লরি খরদং পল্লবদা, নেসনল গেল্লরি ওফ মোদর্ন আর্ট, ন্যু দেল্লি, একাদেমি ওফ ফাইন আর্টস কোলকটা, জহাঙ্গির আর্ট গেল্লরি, মুম্বাই, গেল্লরি কোলকটা অসিনচিংবা চাউরবা গেল্লরি কয়া লৈখ্রে। অদুবু মণিপুরগুম্বা শক্লাইরবা আর্টিষ্ট কয়া পোক্লিবা লমদম অসিদা মতিক চাবা ফাইন আর্টসকী গেল্লরি নিংথিজনা লৈতবসি আর্ট লভরসশিংদি নীংবা কায়দুনা লৈরি। অদুবু নীংহন্নবা হায়বদুদি কৈদৌনুংদা লৈতে ঐখোয়গী লাই য়েকপশিংনা অদুনা আর্ট একিসবিসন কয়া চোকথবা লৈতনা পাঙথোক্লি।

কুমওন খুদিং ইম্ফাল আর্ট কোলেজনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা আর্ট এক্সিবিসন কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাকপা ঐখোয় খুদিংনা থেংনরি অমদি আর্টপু পামজবা মীওইশিংনা য়েংনরি। লমদম অসিগী নহা ওইরিবা লাই য়েকপা কয়া অনৌবা লাই য়েকপা, শাবগী লম্বেলদা চঙশিন্নরক্লি। মপাল লমদা মমিং লৈরবা লাই য়েকপা ওইদুনা লৈবা কয়াসু ঙসিদি সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা শকখঙনবগী তাঞ্জা অদুসু ফংলি। অয়েকপা লাইবু পূক্লিং থৌগত্তুনা পেন্টিং অমগী মমল য়াম্না তাঙনা লৈদুনা লন্নাই যূমদফাওবা থম্নরি। মণিপুর মশক তাক্লি আর কে সী এস আর্ট গেল্লরিনা। পুৱারী অমদি ঐখোয়গী কলচরবু ওইল পেন্টিং ওইনা থম্লি। সিংহ আর্ট গেল্লরিনা লীরি ৱারী ওইল পেন্টিংদা পোর্ত্রেট ওইনা মণিপুরগী মশক নাইরবা মীওইশিংগী। মসিদা ঐখোয় খুদিংনা পূক্লিং থৌগৎপা অমদি লাই য়েক্লিবা মীওইশিংদা থৌনা পীবদি লেপ্পা য়াদে হায়না খল্লি। মরমদি মণিপুরগী কলচর অমদি পুৱারীবু চেকশিন্না লুনা লাচল্লিবা মীওইশিংগী মনুংদা লাই য়েক্লিবা মীওই কাঙলূপশিং অসিসু অমনি। সাহিত্যদা খুন্নাই অমগী ময়েক শেংলবা শক্তম অদু মমি তাবগুম্না লাই য়েক্লিবা আর্টিষ্টশিংদসু খুন্নাই অমগী মমি তাদনা খক তোক্তে। খেন্নরিবা হায়ববু সাহিত্যদনা খোর্জেনা চেবাংথক্তা ইবনি অদুগা লাইয়েকপদনা মচুশিংতনা পূক্লিং থম্মোয়গী মপাউ অদু তম্বনি। হায়নবসু লৈ, মরোল থোক্তবা, ময়েক য়াওদবা মচুতগী অয়েকপা লাইনা ৱাহৈ কয়াগী মহুৎ শিন্দুনা পাউদম কয়া, ৱাহন্থোক কয়াদি পীবা ঙম্লি।




কোভিদ-১৯ পেন্দমিকনা মরম ওইদুনা মালেমগী মীয়ামদা শাথীনা অৱাবা তাঙ্কক অমা ওইরিবা মতমসিদা আর্টিষ্টশিংগী স্পিরিট অদুদি হনবা লৈতে। ভেক্সিন পুথোকখ্রবা মতুং অমসুং লৈবাক শিনবা থুংনা ভেক্সিন কাপ্পগী থৌরাং তৌদুনা লৈরবা মতমদা ‘কনেক্সন’ হায়দুনা মিংথোনবা কন্টেম্পররি আর্টিষ্ট মরিগী অয়েকপা লাই ৫০গী এক্সিবিসন অমা ইম্ফাল আর্ট কোলেজদা থা অসিগী ১৭তগী ১৯ ফাওবদা পাঙথোকখি। মসিদা লাই য়েকপগী লম্‌দা মীয়াম্না মশক খঙলবা অমদি মনা কয়া ফংলবা আর্টিষ্ট গন্দুম্পু, সনাজাওবা তেম্সুবা, বুভানেশ্বর সোরাম অমদি সাত্য হিজম্না য়েকপা তোঙান তোঙানবা লাই মখল কয়ানা অয়েংবা কয়াগী পূক্লিং শুমহৎখি। এক্সিবিসন অসিদা মণিপুরগী মহৌশাগী নীংথিজরবা চীংয়া তময়াগী ফজবদা থৱায় লুপচদুনা চোকথবা নাইদনা ব্রস অমদি মচুগা মতম পূম্বগী মরূপ ওইদুনা লৈরবা আর্টিষ্ট গন্দুম্পুগী লেন্দস্কেপ পেন্টিংদা য়াওরি মণিপুরগী লিরবা খুল অমা ওইরিবা অন্দ্রো, মাইবা খুল, খুরখুল, ফুমলৌ অসিনচিংবা কয়া য়াওরি। মহাক্লা হায়, মণিপুরগী মফম খুদিংদা চৎলুবা মতমদা অথিবা হায়বা মফম অদু লৈতবদৌনা তৌই। ফজবগী ফজবা ঙাক্তা ঙাইরম্মী। অদুগা ঐখোয়না মপাল লমদা চৎচরুবা মতমদদি মণিপুর হায়বসি, ইম্ফাল হায়বসি কদায়দা লৈবনো হায়বা খঙদবগুম্না তৌবা থেংনৈ। অদুবু ফজবগী, নুংশিবগী হায়নীংঙাই লৈতনা উবা ফংবা হায়রগদি মণিপুরনি। অসিগুম্লবা লাইরৈবাক্লুম্না নীংথিজরবা লমদম অসিগী শক্তমশিং অসি ঐখোয়সু লাইয়েকপা অমা ওইনা করিগুম্বা খরদংদি য়েক্তুনা পোক্লফম ইমাগী থৌগল তৌজবা পামজবনি’ অসিগুম্লবা ফিদম্নিংঙাই ওইরবা ৱাখল্লোন্দা খোঙ থাংজিল্লকখিবা গন্দুম্পু ১৯৮১দগী লাই য়েকপা তমদুনা মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকখি। ঐখোয় মীওইবগী পুন্সি অসিমক মহৌশা মহাক্কী মশাইকোলদা হিংদনা মহাক্কী ঈশিং নুংশিত্তা য়াওন্নদুনা হিংলি হায়বসি এক্সিবিসন অসিদা মিংথোল ওইরিবা ইংলিস ৱাহৈ ‘কনেক্সন’ হায়বদি ‘শম্নরিবা, মরী লৈনরিবা’ হায়বসিনা ফনা ফজনা ফোঙদোক্লে হায়না লৌবা য়াই। এক্সিবিসন অসি য়েংলুবদা থেংনখিবা সিনিয়র আর্টিষ্ট গন্দুম্পুনা হায়, আর্টিষ্ট অমগী পুন্সিদা খ্বাইদগী মরু ওইরবসি সর্টিফিকেট ময়াম পায়বদুতনা আর্টিষ্ট অদুগী কন্ত্রিব্যুসন অদু মাক লেপকদবা ওইরমদ্রে। আর্টিষ্ট ঐখোয়গী ইথৌদি লমদম অসিবু মালেমদা শক্তাকপদুনি হায়না খল্লি। লমদম অসিগী আর্ট অসি মালেমদা মশক তাক্লবা হোৎনবদা মীওই অমনা নৎত্রগা মীওই খরনা হেক্তা য়াদে। মসিদা ঐখোয় খুদিংনা পূক্লিং থৌগৎপীবা অমসুং মতেং পাংনবা মথৌ তাগনি। মরমদি মালেমগী ওইনা লৈরিবা আর্টকী ওইবা গেল্লরিশিংসিদা লৈরিবা মাগী মাগী ওইবা আর্টকী মশক অমা অদুম্মক লেপ্পা ঙম্নখ্রে হায়না খল্লি। ঐখোয়গীসু মণিপুর আর্ট হায়দুনা য়ুনিক ওইনা লৈহন্নীংই। ঐখোয় পূনশিন্নদুনা থবক তৌমিন্নদুনা খোঙথাং খরা লৌখৎপা পাম্মী হায়না ফোঙদোক্লকখি। তশেংবসু আর্ট হায়বসি ক্রিএসননি, শেমগৎ-শাগৎপনি। অদুগা মসিগী পান্দমদি মীওইবদা ৱাখল খলহল্লবনি। পূক্লিং ৱাখল অমদি পুন্সিবু মমল লৈনা লৌহন্নীংবদুনি। ৱাহৈ ওইনদি ফোঙদোক্তনা পাউখোঙনি চল্লিবসি মচু মখল কয়ানা। চুমথাংনা অতিয়াদা ফিজং ওইবগুম্না ফাইন আর্টসনসু পুন্সিবু ভেল্যু কয়া হাপ্লি। এক্সিবিসন অসিদা লেন্দস্কেপ পেন্টিংদা থৱায় য়াওনা অয়েকপা লাই কয়া উৎখিবা বুভানেশ্বর সোরাম্নসু মমল য়াম্লবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লকখি। মহাক্লা হায়, আর্ট হায়বসি তৌশিন্নবা য়াবা কলা অমদি নত্তে। প্রতিভা অমা য়াওদনা লাই য়েকপসু য়াদে। ঐখোয়না লাই য়েকপা হায়দুনা মিংথোল ওইনা পীরল্লিবসিনা তাক্লিবসু ‘লাই’ হায়বসি ইশ্বরগা নকশিন্নবা মরী অমা শেমগৎলি। অমরোমদা হৌজিক ওইরিবা আর্টকী লম্‌সিদা থবক তৌরিবা লাইওইখ্রবা আর্টিষ্টশিংদগী হৌরগা হৌজিক হৌজিক লাই য়েক্লিবা আর্টিষ্ট কয়াগী পোথোকশিং অমদি মমল য়াম্লবা খুদোল কয়াদি চোয়না চোয়না তাদুনা কনা খঙদনা লৈরি। অসিগুম্বা আর্ট ৱার্ক্সশিং অসি মফম অমদা পুল্লপ চেকশিন্না কলেক্সন তৌবীদুনা থম্লবদি য়াম্না ফগনি। মণিপুরদা লৈরিবা অমদি মপান লমদা লৈদুনা লাই য়েকপগী লম্‌সিদা থবক তৌরিবা আর্টিষ্টশিংগী অপূনবা মঙলান অমদি লৈরি মদুদি মণিপুরদা পার্মেনেন্ট ওইবা অচৌবা আর্ট গেল্লরি অমা থম্বনি। আর্ট এন্দ কলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা লৈবা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনসু চহী খুদিংগী আর্ট এক্সিবিসন কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। অদুবু পার্মেনেন্ট ওইবা অচৌবা আর্ট গেল্লরি ওইনা লৈতবনা মরম ওইদুনা ফাইন আর্টসপু য়েংনীংবা অমদি করিগুম্বদা মপাল লমদগী লাকপা মীওইশিংদা মশক তাকনীংবা মতমদদি লন্নাই আর্ট গেল্লরিদা য়েংহনবা নত্তনা চহী চুপ্পা হাংদুনা লৈবা গেল্লরি লমদম অসিদা লৈতবনা মগুন লৈরবা আর্ট ৱার্কশিংদি অদুম্মক শকখঙবীদনা লৈরি। ফাইন আর্টসপু স্কুল করিক্যুলমদা সবজেক্ট অমা ওইনা তমহনবগী কান্নবসু লৈঙাক্লা হেন্না পূক্লিং থৌগৎহন্নীংই। মরমদি হৌজিক্কী মতমদা লাইরিক তম্বদা খ্বাইদগী মরু ওইরক্লিবসি ইন্টর-দিসিপ্লিনরি ষ্টদিজদা মায় ওনশিনবসিনি। পূম্নমক খঙদবা য়ারক্তে।

আর্টিষ্টশিংগী মঙজরিবা পার্মেনেন্ট আর্ট গেল্লরি অমা লমদম অসিদা থমদুনা তুং কোইনা কলা অসিবু থৱায় হাপ্লিবা আর্টিষ্টশিংবু পূক্লিং থৌগৎপীবা মথৌ তাই। লমদম অসিগী লৈরিবা মীপূম খুদিংনা মখোয়দা থৌনা হাপ্পীবা তঙাইফদে অমদি হেন্না ফজবা লাই কয়া খুদোল তম্লক্লবা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মীওইশিংনসু করি করম্বা থৌশিল থৌরাং পায়খৎলগা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগদগে হায়না খনবা মতম ওইরে। মরমদি লাই য়েকপা, শাবা হায়বসি ক্রিএসননি, লম্বী শেম্বনি অমসুং অমম্বদা মঙাল পীবনি। মণিপুরগী পুৱারী ইবদা আর্টিষ্টশিংগী থৌদাং য়াম্না চাউনা য়াওরি।

**– তোংব্রম অমরজিৎ**

**ৱারী ককনাউ**

# নোইদা শিজখ্রোনে

তোম্বুং মকোক্তা ফি অমা খুম্মী, মমায়দু মাস্ক অমা উপ্পী, হেক য়েংবদা তোম্বুংনি হায়বা পাক লাকশিনবা ঙমদে। মুন্না য়েংলকান্দা খঙবগী ৱানি। মখোয়গী ময়ূমদগী কোরফু অহনবা অমা মখূৎ অনী চঙদুনা মী কোইয়েং য়েংলগা থাংদোরকই। শোৎ পেক লাউদখৈ মখোঙদু ৱাংলপ ৱাংলপ থাংলগা য়েনখারোমদা থোকখি।

তোয়াই জ্বারদা লাইচুরবা মীশকনি। ঙরাং জ্বার শেল মাঙমনবদগী খিত্তং হঙ্গৎপা য়াব্রা য়েংগে হায়না উপু মনুংদা চেকশিন্না থৌদোক ৱাথোক থোকপদা শেৎচনবা মমানা থমজবা মমাগী ফনেক ময়েক নাইবা অনীদু য়েপ্পগা থোকখিবদগী হঞ্জিল্লক্ত্রিবনি। ফনেকতু থাদোকখ্রে। দাওনি খরা হনবদু পায়রগা মীনা শান্নবদগী খরা-খরা কক্লগা লাইবক য়েংদুনা অমুক য়াওশিল্লুবদা শিৎ নানখৈ থাদোক্লে। অহিং হল্লক্ত্রিবনি, চাক লাম্মন্দনা ময়ূম নীংশিংলকপদগী লোন্না মনিংথোঙলোমদা চঙগে তৌবদা থোঙ লোল্লম্বদগী য়েনখারোমদা চাউকান চাউকান কাল্লগা লাকপদা তোম্বুংগা কোক হেক থেংনৈ।

“হে হুরানবা, তোম্বুংদু মমাঙদা চাউথ্রোক চাউনা ময়াম্বা তোয়াইনা লেপ্পম্বদা খংপ্রেক খংই।

“হো ইমা”

“খংদনগসু তৌরিনে হুরানবসিদি, কৈনো নঙনা কোরফুদু কোল্লগা থোরক্লিদো, কদাইদা য়োন্দুইনো?”

য়োল্লোইহে কাইদৈনো, ফেংগে হায়না পুথোরকপনি”

“করি? উপু মথক্তা তুমিন লৈজবা করিমত্তা শীজিন্নদবা কোরফুদু কৈদৌবগী ফেংদৌরিবা হুরানবা?”

“তাচৌ কারন তানু, হুরানবা হুরানবা, ঐনা করি হুরাল্লগে? নঙনা ইমাগী ফনেক ময়েক নাইবা য়েপ্পগা পুখিবদু ঐ উহৌই।”

“অদু ইমা খঙখ্রবরা?”

“খঙবনি, নঙ হল্লকপা ঙাইরিনি, নুংঙাইনি নঙ”

“ইমা লৈহৌব্রা?”

“লৈতে কৈথেলদগী হল্লকত্রি”

“তোম্বুং ঐখোয় চাক লৈহৌরিব্রা?”

“ঙসি অয়ূক ঐখোয় চাক থোংদে, ইমানা কৈথেলদগী হল্লক্লগা থোংগনি”

“ও অদুগীরা নঙনা কোরফু পুথোরক্লিসে, নঙ ইমাগী মতেং পাংবা ওইনা কোরফুসি য়োল্লগা চেঙ ৱাল্লগা চাক থোংনবা তৌরি নৎত্রা, ইয়াম্বগী ইবুংঙো, নুংশিখ্রেদা, ইয়াম্বগী নুংশিবা, ঐ ঙাইরমগে, য়োল্লুরো কোরফুদু, অদুগা চেঙদু খরা থুনা ৱাল্লকউ, ইয়াম্বা ঙরাং অয়ূক্তগী চাক চাদ্রি, ঐ শিদৌরে, ইয়াম্ববু চখোম অমতা পীজনবা থৌরাং তৌ”

“ইহ! ইহ! কোরফুসি য়োল্লগা চেঙ ৱাল্লগা চাক থোংঙু গাইনা, তাচৌ কারন তানু, চেঙ ৱান্নবা নত্তে। ন্যু য়রগী প্রজেন্টেসন অমত্তা পীদ্রি। ঐ নহানখৈ লৈতদনা, অসোমদনা মরোল অমা থৌবদা লোইরে। পাম্বে লৈতে। কোরফুসি শীসু শীজিন্নদে, হয়েং তাঞ্জা চারগা ঐ সিদগী খরা হেন্না চাউবা অমা লৈরগে, সি য়োল্লগা ননাওনুপীনা থৌরিবা প্রজেন্টেসন লৈরগা পীগে তৌবনি, চেঙ ৱান্নবা নত্তে।”

“করি হায়বা ইয়াম্বগী ইবুংঙো, যূমসিদা পুশিল্লক্ত্রিবা ইনাওনুপীগী ন্যু য়র প্রজেন্টেসন, মাদি করি ওইনা পীরকউ হায়”

“অদুক য়াম্না ফত্তবা নুপী নত্তে, তাচৌ, ঐ লৈতে হায়বা মা মুন্না খঙই অদুনা অয়াম্বা শেল চঙগদবা হায়জদে”

“করি ওইনা হায়রকই? হায়যু ইয়াম্বদা”

“অদু খঙঙগা কৈদৌগে হায়নো তাচৌবো?”

“ইয়াম্বসু বসন্ত লাকপ্রা য়েংগে, য়েন্নৌ চোংলকপ্রা য়েংগে তৌনি”

“তাচৌ কারন তানু, ননাওনুপীগী ৱাদা রাগগা শাগৎতনা পাপ পুনি হায়সিনি”

“অদুবু কৈনো হায়ু হায়বনে”

“হো মোবাইল ফোন সেমসুংগী অনৌবা থোরকপদু পাম্বদি পাম্বনি অদুবু নঙ ৱাননি, অদুগী মহুত্তা নীংথমথা কোন্নবা য়াবা কোট ফজবা অমা লৈরকউ হায়রকই”

“সেটলিহে তোম্বুং, কোট ফজবা অমা লৈরকউ হায়রিবা”

“নুংশিদ্রো মচিন মচাদুনা হায়জরিদো?”

“নুংশি হায়রুরদি ইনাওনা শাওনি, মবুক্তি ফবা মাল্লি। চরা হেল্লিবা ঐখোয়দা মোবাইল ফোন তোক-ও কোট ওইনা লৈরকউ হায়রিদু। তোম্বুং ইয়াম্বা ৱা অমা হায়রগে”

“করি ৱানো তাচৌ?”

“কোরফুদু য়োল্লুরো, অদুগা শেলদো ইয়াম্বদা পীরকও, ঐ লৈরক মচিন য়ৌরকপদনে, ষণবীনা ষণনাও মখোম পীথকপা উরকই। মাঙখ্রবা ইয়াম্বগী দাউ শোয়দনা য়ারনি, শেলদুনা মাঙখিবা পূম্নমক হঞ্জিল্লগা, মুক্তুনা লৈহৌরিবা কাঙবুদো অমুক্তা পৎ-পৎ থদৎলুগে, অদুগা ইনাওনুপীনা পামজবা সেমসুংগী মোবাইল ফোন অনৌবদো ওইনা লৈবিরসি, অদু ওইরদি নঙসু নমাই পাকচরেদনা”

“য়ারোইদা কাইদৈনো” তোম্বুং চৎকে তৌই।

“চৎখিবা য়ারোইনে তোম্বুং, ঐ চাক চখোম অমা চারগা কোরফুদু লৌগে লাকপনি। ঐনা হান্না খনবনি, নঙনা য়োনবা য়াবা নত্তে। ইয়াম্বগী দাও হাৎকনু, কদাই পীরকউ”

“য়ারোইমী”

“পীরকও” মচিন মনাও অনীদুনা কোরফুদু মুন্নে, ফিগা ওইরম্মদি ঙসাইনা ময়ায়দা শেগাক তাখৈ শেগাইরদবনি, কোরফু ওইবগী শেগাইবা ঙমদবনি। তঞ্জাসিদা কৈথেল হল্লক্লগা ঙসাইদগী ঙাঙনরিবদু তারিবা মমানা থোঙলোনজৈদু মখূৎনা চেৎনা পায়রগা চঙশিল্লক্লগা অনীমক্তা শেৎ-শেৎ কল্লি। অনীমক হোৎতনা চেনখি। মমা লুখ্রাবীনা থোঙলোনজৈদু থাঙ্গৎলগা লাউদুনা লৈহৌই, “নোইদা শিজখ্রোনে”।

**– নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।